ইম্ফাল এক্সপোদা সেমিনার পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ঃ ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাঙ লীলা শঙলেন্দা হৌজিক চথরিবা ইম্ফাল এক্সপো ২০১৭ কী ঙসি ৪ নি শুবা নুমিত্তা মাইক্রো ইন্টরপ্রাইজ দিভলপমেন্ট স্কিম গ্রুপ বেঙ্ক হায়বা হিরমদা সেমিনার পাঙথোকখ্রে।

সেমিনার অদুদা দি আই সিগী জেনরেল মেনেজর ওইরম্বশিং কেঐচ য়াইস্কুল সিংহ অমদি ৱাই রঘুমনি সিংহ অদুগা টি সনাজাওবনা রিছোর্স পার্সন, ইন্টরপ্রেনরশিং, ভিজিটরশিংনা ঙসিগী সেমিনার অদুদা শরুক য়াখি হায়না নেস্নেল স্মোল ইন্দষ্ট্রি কোরপোরেসন (এন এস আই সি)গী দিপ্যুটি মেনেজর এল ইবেতোম্বী দেবীনা ফোঙদোরক্লি।

চীঙ্গোই ইরুপ্পা পাউজেল

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ঃ থা অসিগী ২৬ লমতাগী ২৮ নি পানবা নোংমাইজিং নুমিত্তা মহৌশাগুম চীঙ্গোই ইরুপ্পা পাঙথোক্কনি। মসিদা লাইনিংথৌ সনামহী থৌগল কাঙলূপ্পা চিঙ্গারোইশিংবু তেংবাংগনি।

লাইনিংথৌ সনামহী থৌগল কাঙলূপকী লুচিংপুরেল ও মেনজোর খুমন্না থাদোরকপা চেরোলনা হায়, লাইনিংথৌ অমদি লৈমরেলগী লোয়ননা ইপা নোংপোক নিংথৌ অমদি ইমা পানথোইবী খুভমদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা থৌনিজগনি। নুমিৎ অসিদা মীয়াম্না ময়াই কাবা চীঙ্গাক চাবিগনু, পুকচেল শেংনা ইরাৎ থৌমিন্নসি হায়নসু পাউজেল্লি।

মহৈরোই ১ তাম্থোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ঃ বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদুকেসন মণিপুরনা লৌবা হৌজিক চথরিবা ঐচ এস এল সি এগজাম ২০১৭ কী ঙরাং সপরমৈনা সেন্টরদগী মহুৎ শীন্দুনা পরিক্ষা থারম্বা অমা পরিক্ষাদগী তাম্থোকখিবা অদুগী রোল নম্বরনা ১৯৯ নি হায়রি।

ষণ মৈনা চিংদুনা শিরে

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ঃ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী শগোলমাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা লম্বোইখুলদা ঙরাং নুংথিল ষণ হাতম অমা ইলেক্ট্রিক ট্রান্সফোর্মর মনাক্তা চঙলুবদগী চিংদুনা শিরে।

উয়ুমপোক জি পিগী ৱার্দ মেম্বর ঐচ সনায়াইনা ফোঙদোরকখিবদি মমাঙ চহীগী নভেম্বর থাদসু ষণবী অমা মৈনা চিংদুনা শিখ্রবনি। অদুবু মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলক্তবদগী ঙরাংগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। অদুনা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা অথুবদা মীৎয়েং চঙবিয়ু।

সনরিক চংনিংখোম্বী উৎকনি

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ঃ তপস্য শিংজমৈ ৱাংমা পেবিয়া পণ্ডিত লৈকাই ইম্ফাল ইষ্টকী অনৌবা প্রদক্সন সনরিক চংনিংখোম্বী হয়েং ইরাই নুমিৎকী নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবদা পেবিয়া পণ্ডিত লৈকাইদা লৈবা রাধা মান্দবতা উৎলগনি। মসিগা লোয়ননা এ এনেশ্বরি, এ প্রিয়ারানি অমসুং মহাক্কী কাঙবুগী অখন্নবা মোইরাংশাইসু খুদোল তমগনি হায়রি।

অফবা মহৈরোইশিংদা স্কোলার্সিপ য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ঃ মিলিটরি সিভিক এক্সনগী মখাদা নাইন সেক্টর অসাম রাইফলসকী ৫ শুবা জে কে রাইফলস (সুরজ গুরখা)না খনগৎলবা মেরিট লৈবা অফবা মহৈরোইশিংদা স্কোলার্সিপ য়েন্থোকখ্রে।

পাউ অসিনা হায়, ইম্ফালগী কৈশাম্পাৎ তোপ লৈরক্তা লৈবা কোমেটতা ঙসি পাঙথোকখিবা স্কোলার্সিপ য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা ৫ শুবা জে কে রাইফলসকী কম্মান্দেন্ট কর্নেল অমিট বেদি, মাইবম লোকপা চীং পোষ্টকী কম্মান্দর মেজর সুনে ভিভিক অমদি কোমেটকী ষ্টাফশিংনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

মেদিকেল, ইঞ্জিনিয়ারিং অমদি সিভিল সার্ভিসকী এগজাম কয়াদা শরুক য়ানবা শেম শারিবা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী খনগৎলবা মহৈরোই নুপা অমসুং নুপী পুন্না ১০ দা লুপা লিশিং ৩০ গী স্কোলার্সিপ য়েন্থোকখি। কোমেটতা থা ৬ কোচিং য়াওবগী ফি লুপা লিশিং ৩৬ নি। অদুবু মহৈরোই ১০ অসিগী ওইনদি লুপা লিশিং ৩০ দা য়ানবগা লোয়ননা ৫ শুবা জে কে রাইফলসনা মহৈরোয় ১০ অসিগী অপূনবা শেনফম কোমেট ওথোরিটিদা খূৎশিন্নখি অমসুং মহৈরোই ১০ অদুগী এদমিসন ফোর্মসু য়েন্থোকখি। থৌরম অদুদা কর্নেল অমিট বেদিনা হায়, মার্ক ৱাংনা ফংলবা মহৈরোইশিংনা খঞ্জবা থবকশিং ফংনবা হোৎনবদা কোচিংনচিংবা তঙাইফদবনা মতেং ওইনবা স্কোলার্সিপ অসি পীবনি। মখা তানসু পীনবা হোৎনগনি। মতিক চাবা ইন্দিয়াগী সিটিজন ওইরক্নবা অমদি লৈবাক্কী অফবা থবকশিং তৌরক্নবা শোয়দনা হোৎনরক্কনি হায়বগী থাজবসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

মীহাৎপশিং দন্দি পীনবা তকশিনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ঃ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা হৈঙাং অৱাং লৈকাই মোংজম তাবা লম্বীদা হৈঙাং অৱাং লৈকাইদগী সাপম রঞ্জিৎ সিংহ (২৪)বু মীহাৎ থিনা হাত্তোক্লম্বা অদুদা চেন্নবা খূদিংমক মতিক চাবা দন্দি পীনবা ঙসি তোঙান তোঙানবা লূপশিংগী অপূনবা মীফম্না সরকার অমসুং মরী লৈনবা ওথোরিটিদা তকশিনবগী ৱারেপ লৌখ্রে।

খুন্দ্রাকপম ময়ায় লৈকাই চাউখৎ নুপী লূপকী সেক্রেটরী এস রঞ্জনা দেবী অমদি য়াইফ লমজিং লূপকী সেক্রেটরীনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, ঙসি খুন্দ্রাকপম ময়ায় লৈকাইগী ক্লব য়াইফ লমজিং লূপ অমদি খুন্দ্রাকপম ময়ায় লৈকাই চাউখৎ নুপী লূপকী অপূনবা মীফম পাঙথোক্তুনা হিরম অসিগী মতাংদা কূপ্না খন্নরবা মতুংদা মীহাৎপশিং মতিক চাবা দন্দি পীনবা তকশিনবগী ৱারেপ লৌখিবনি।

মীহাৎ অদুদা চেন্নবনি হায়বা খুন্দ্রাকপম মনিং লৈকাইদগী কোইজম রোসন সিংহ অমসুং ইমুংগী মীওইশিং লৈকাইদগী ইন্থোকপা, মীহাৎ অদুগী মায়োক্তা শেমখিবা জে এ সিনা চঙশিনবা খোঙজং খূদিংমক শৌগৎপগা লোয়ননা মতেং পাংবা অমসুং লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়াবা হায়নসু মীফম অদুনা ৱারেপ্লখি হায়রি।

থৌবাল মোইজিংদগী নম্বর ৪ শুংনবা পোৎলম কয়া ফাগৎখ্রে

থৌবাল, মার্চ ২৩ঃ থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা নিষাগী মায়োক্তা চখখিবা ড্রাইভকী মনুং চন্না ঙসি থৌবাল মোইজিং অৱাং মনিং লৈকাইদা লৈবা ৱাবিল হক অপোকপা লৈখিদ্রবা কাসিম আলি কৌবা মীওই অমগী য়ুমদগী হেরোইন নম্বর ৪ শুংনবা পোৎলম কয়া ফাগৎপা ঙমখ্রে।

পাউ অসিনা হায়, এস পি থৌবাল এম প্রদিপকী মীৎয়েং মখাদা এস দি পি ও থৌবাল সঙ্করদেব, দি এস পি (ওপ) সসিদানন্দ, দি এস পি (কম্মান্দো) সদানন্দা অমদি ও সি থৌবাল আর কে তেজবিরগী অপূনবা খূৎপু অমনা ঙসি নুমিদাং পুং ৭ লোম তারকপা অদুৱাইদা পোৎলমশিং অদু ফাগৎপা ঙমখিবনি।

ওপিয়ম চপখায়দুনা শুংদোক্লবা উনা শাবা মেছিন অমা, রনকেম্পনা থাবা এমোনিয়ম ক্লোরাইটকী অথনবা বোক্স পেকেট অমদি অতে শুংবদা চঙবা মচাক কয়া ফাগৎপদা য়াউখি। পোৎলমশিং অদু থৌবাল পুলিস ষ্টেসন্দা পাউমীশিংগী মাঙদা পুথোক্লদুনা এস পি প্রদিপনা ফোঙদোকখিবদি ময়াই কাবা নিষা লাকশিন্নবা চঙশিল্লিবা ড্রাইভ অসিদা মীয়াম্নসু মতেং পাংবিয়ু। ড্রাইভ অসি মায় পাক্না চঙশিন্দুনা হোৎনবদা লৈকাই অদুদা লৈরম্বা মীওই খরনা অপনবা পীবদগী পুলিস অমসুং মীয়ামগী মরক্তা ঙাইহাক মুক্নবা থোকখি অদুম ওইনমক মীয়ামগা জ্ঞান তানরবা মতুং পোৎলমশিং অদু নুমিদাং পুং ৮ লোম তারকপদা লৌখৎপা ঙমখিবনি। য়ুম্ভু ওইরিবা ৱাবিল হককী ইমুংগী মীওইশিংদি পুলিস কাঙবু অদু লাকপা উবদা চেনখিবদগী ফাগৎপা ঙমখিদ্রে হায়নসু এস পিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

বংগালিশিংদা ওৎ নৈরক্লবদি বরাক শীনবা থুংনা খোঙজং চঙশিনগনি—*সি এস ওশিং*

সিলচর, মার্চ ২৩ঃ হন্দক পাঙথোকখিবা মণিপুরগী এসেমব্লি ইলেক্সনদা জিরিবাম কেন্দ্রদগী ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ ওইনা মায় পাকখিবা অশবউদ্দিনবু মীতোপ্লি হায়না শন্দোরকপদা বংগালি সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিং মপূং ওইনা সোসিয়েল য়ুনাইটেদ নেটৱার্ক, তলাস এন জি ও, এ এম এস এ অমসুং বরাক অৱামি ষ্টুদেন্টস ফ্রন্টনা নুংঙাইতবা ফোঙলদুনা বংগালিশিংদা ওৎ নৈবা তৌরক্লবদি বরাক শীনবা থুংনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

পাউ অসিনা হায়, মণিপুরী মহৈরোই লূপ অমনা অশবউদ্দিনগী মায়োক্তা অকনবা মওংদা চঙশিনবগা লোয়ননা জিরিবামদা খুন্দারিবা বংগালিশিংদা অকি অখং পোকহল্লে। থৌওং অসিগী মায়োক্তা বরাক্কী মশীং য়াম্লবা লূপশিংনা অমত্তা ওইনা খূৎশম্নদুনা অকনবা মীৎয়েং চঙলগনি।

হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা বংগালি লূপ ৪ গী লুচিংবশিংনা ফোঙদোকখিবদি জিরিবামদা খুন্দারিবা বেংগোলিশিংবু মীতোপ্লি হায়না পাউথোকপিবা অসি তোক্ত্রবদি বরাক তম্পাক্কী লূপশিং খূৎশম্নদুনা অকনবা খোঙজং চঙশিনগনি। দরকার লৈরক্লবদি ইকোনোমিক ব্লোকেদ ফাওবা তৌরকপা য়াই।

সোনাইগী সোসিয়েল য়ুনাইটেদ নেটৱার্ককী প্রসিদেন্ট অফসারপ অজাদ কলাম লাস্কর (সজিব), জেনরেল সেক্রেটরী ইগবাল হুসেল বরভুয়া, বরাক অৱামি ষ্টুদেন্টস ফ্রন্টকী এদভাইজর সুখিয়ান অহম্মদ লাস্কর, প্রসিদেন্ট অয়াহিয়া অহম্মদ ভরভুয়া, ৱার্কিং প্রসিদেন্ট জুবিয়ার অহম্মদ লাস্কর, সেক্রেটরী সবির অহম্মদ লাস্কর, তলাস এন জি ওগী ভাইস প্রসিদেন্ট জহির হুসেন লাস্কর, মহৈরোই লূপ এ এ এম এস এগী জেনরেল সেক্রেটরী মিজাজুর রহমন অমদি অব্দুল রফ, মাসুল অহম্মদ লাস্কর, অব্দুর রহমন লাস্করনচিংবা কয়ানা শরুক য়াদুনা পাউমীশিংগা উনবদা মখোয়না ফোঙদোকখিবদি ইন্দিয়ানা নীং তমদ্রীঙৈ মমাঙদগী হৌনা মণিপুরগী জিরিবামদা বংগালিশিং খুন্দা লৈতাবা হৌরকখিবনি। মতম অদুদা জিরিবাম চীংনা ইকোয় কোয়শিনবা মী তাদবা লম ওইরম্মী। ১৮৬৯ দা অহানবা ওইনা কছারদগী বংগালিশিংনা বরাক তুরেলগী ময়াদা লৈবা জিরিবামগী জকুধোরদা অহানবা খুৎলিংবা হৌখি।

জিরিবামগী লম্বী থোংগী মমিং, মহৈ তম্ফমশঙশিংগী মিংনচিংবা বাংগালি লোলদা ঙাক্তা থোক্লিবা অসিনসু জিরিবামগী বংগালিশিং অসি মণিপুরগী য়েলহৌমী ফূরুপ্পি হায়বসি ময়েক শেংলবনি হায়নসু মখোয়না মখা তানা ফোঙদোকখি। সুপ্রিম কোর্টকী ভর্দিক মতুং ইন্না ১৯৭১ গী ভোটর লিষ্টতা মিং য়াওবা খূদিংমক ইন্দিয়ান সিটিজননি হায়রি। জিরিবামদা খুন্দারিবা বংগালি হিন্দু, বংগালি মুস্লিমশিংসু ১৯৭১ দগী জিরিদা খুন্দাবা হৌখিবনি অদুনা বাংগালিশিংবু করম্বা গ্রাউন্দদা মীতোপ্লি হায়রিবনো হায়বা ৱাহংসু হংবগা লোয়ননা ১৮৯১ গী চহী খুন্তাকপদা মণিপুর থাদোক্তুনা লাকখিবা মণিপুরী কয়ামরুম বরাক তম্পাক্তা নত্তনা অসাম, ট্রিপুরা অমদি বাংলাদেশনচিংবা খুন্দাদুনা লৈরি হায়বসি মণিপুরগী লূপশিংনা খঙজিনবিয়ু হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

কছারগী লখিপুরদা মণিপুরী ৪ ভোট কাদুনা এম এল এ ওইখি হায়রদুনা মতমদুদা লোন অমদি কলচর থিগৎতুনা ৱা অমত্তা পুখৎখিবা লৈতে হায়নসু মখোয়না ফোঙদোকখি।

এ আরনা শীন্দুনা মফম ৩ দা মেদিকেল কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ঃ অসাম রাইফলসনা শীন্দুনা তোঙান তোঙানবা মফমদা ফ্রি মেদিকেল এন্দ হেল্ঠ ক্যার কেম্পশিং পাঙথোকখ্রে।

আই জি এ আর (সাউথ)কী পি আর ওনা ঙসি থাদোরকপা চেরোলনা হায়, নাইন সেক্টর অসাম রাইফলসকী ৪৫ অসাম রাইফলসনা শীন্দুনা খোংনাংপোকপী ভিল্লেজদা মেদিকেল কেম্প পাঙথোকখি। কেম্প অদুদা মপাউ খুনৌ, মপাউ খুল্লেন অমসুং মপাউ থঙ্গালদগী মীওই কয়াসু শরুক য়াখি। অঙাং অমসুং অহলশিংদা ৪৫ অসাম রাইফলসকী মেদিকেল ওফিসারনা মেদিকেল এইদ অমসুং হিদাক লাংথকশিংসু পীখি। মদুগীদমক ভিল্লেজ চিয়ারমেন, মৈরা পায়বী অমসুং লমদম অদুগী মীয়াম্না থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

অতোপ্পা অমনা ২৮ সেক্টর অসাম রাইফলসকী ১৯ অসাম রাইফলসনা শীন্দুনা হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা বোর্দর ভিল্লেজ ন্যু শোমতালদা হেল্ঠ ক্যার কেম্প অমসু পাঙথোকখি। কেম্প অদুদা তোঙান তোঙানবা মখলগী অনাবা কয়া লায়েংবগা লোয়ননা লেম্না হিদাক লাংথক পীখি। কেম্প অদুদা অঙাং ১২২ নুপা ৮৪ অমসুং নুপী ১০৬ য়াওনা পূন্না খুঞ্জা ৩১২ শরুক য়াখি। ১৯ এ আরগী মেদিকেল ষ্টাফনা হেল্ঠ ক্যার অমসুং সেল্ফ হায়জিনগী মতাংদা খুঞ্জাশিংবু ভাব তাহন্নবা থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

সেক্টর অসিগী ২২ শুবা অসাম রাইফলসনসু ওপরেসন সদভাবনাগী মখাদা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা ৱাবগাই ভিল্লেজদা মেদিকেল কেম্প পাঙথোকখ্রে। হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা পাঙথোকখিবা কেম্প অদুদা নুপা ১২৩, নুপী ১৮৫ অমসুং অঙাং ১০৩ য়াওনা পূন্না মীওই ৪১১ লায়েংবগা লোয়ননা দরকার ওইবা হিদাক লাংথকসু ফংহনখি।

ৱাবগাই য়াংবি মনিং অমসুং থংনবা ভিল্লেজশিংগী মীওই কয়ানা অসিগুম্বা মখলগী কেম্প পাঙথোকপদা অপেনবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা অসাম রাইফলসকী থবক থৌরমদা মীয়াম্না হৈনিংবা উৎখি হায়রি।

অতোপ্পা অমনা নাইন সেক্টর অসাম রাইফলসকী ৪৫ শুবা অসাম রাইফলসনা কোইরেঙ্গৈ কোম্থা অহল্লুপ্তা লৈবা মেছিনরিজ ওফ চেরিটিদা তঙাইফদনা শীজিন্নগদবা পোৎলম কয়া ফংহনখ্রে হায়রি। অসাম রাইফলস সিভিক এক্সন প্রোজেক্টকী মখাদা কনা লৈজদ্রবা অঙাংশিংগীদমক মেছিনরি অসিগী অৱাৎ–অপাশিং ইলেক্ট্রিকেল এপ্লাইয়েন্স অমসুং ফর্নিচর য়াওনা দান তৌখি হায়রি।

ককচিং কেন্দ্রগী এম এল এ সুরচন্দ্র ওকখ্রে

ককচিং, মার্চ ২৩ঃ হন্দক পাঙথোকখিবা ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সনদা ককচিং কেন্দ্রদগী কংগ্রেস মীরেপ ওইনা অমুক্কসু হন্না মায় পাকখিবা ৱাই সুরচন্দ্রবু হরাউনা ওকখ্রে।

পাউ অসিনা হায়, এম এল এ সুরচন্দ্রবু শৌগৎপা মীওইশিংনা লৈ পরেং হুক্তুনা অমদি বাম্বুলানচিংবা থাদুনা হরাউ নুঙাইবা ফোঙদোক্লখি। মপূং ওইবা থৌরম ককচিং তুরেল ৱাংমদা লৈবা মহাক্কী য়ুমদা পাঙথোকখি। মদুদা ৱাই সুরচন্দ্রনা থংনা থংননা অহুম্লক মায় পাকহনবিবগীদমক মীয়াম্বু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

পাউমী খরদা মহাক্না হায়, মণিপুরগী মীয়াম্না থাজবগী ৱাংমদা লৈরম্বা কংগ্রেসকী মীরেপ ৯ চীং দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা কেন্দ্রদগী মায় পাক্লক্তুনা পূন্না কংগ্রেসকী এম এল এ ২৮ কাহনবিবগীদমক মীয়াম্বুসু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সি সি)গী ৱাঙাংলোইসু ওইরিবা ৱাই সুরচন্দ্র এম এল এনা মখা তানা হায়, কংগ্রেসনা অকনবা ওপোজিসন ওইনা ষ্টেট অসিগী মীয়ামগী য়াইফনবা থবক থৌরমশিংদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবনি। লৈঙাক পায়মিন্নরিবা আইদিওলোজি, টার্গেট মান্নদবা পার্টি ময়াম পূনশিল্লগা অনৌবা সরকার শেম্বা ওইবনা লৈঙাক অসি করি ওইরক্কদগে হায়বা অদুদি ঐখোয়না য়েংমিন্নসি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

কৈথেল ফম্বী নুপীশিং কৈথেলদা অহিং লেকপা য়ারোই

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ঃ খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী ৪ শুবা ইমা পান্থোইবী সনা কৈথেল (টেম্পররি মার্কেট সেদ)কী শঙ মনুংদা কৈথেল ফম্বী নুপীশিংনা অহিং য়ারেকপা য়ারোই হায়বগী ড্রাইভ ঙরাং নুমিদাং চথখ্রে।

ইমা পান্থোইবী সনাকৈথেল লূপকী সেক্রেটরী কেঐচ জোয়মতি লৈমনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, ঙরাং নুমিদাং পুং ১০ মুক তাবদা চথখিবা ড্রাইভ অদুনা চহী অসিগীদি অহানবনি। মমাঙদা অসিগুম্বা মখলগী ড্রাইভ কয়ারক চথখিবনি। মখা তানসু চথখিগনি। পোৎফমগী পোৎ চৈ শঙবিরিবা ঐখোয়না মশক খঙলবা কেদো, ব্রুম, অমুক অমসুং মাসেলগী নুপাশিং নত্তনা অতোপ্পা নুপা অমত্তনা কৈথেল মনুংদা অহিং লেকপা নৎত্রগা থেংনা লৈবা য়ারোই হায়রি।

কৈথেল মনুংদা পোৎফম ফম্লিবী লূপকী মেম্বরশিংনা য়োল্লিবা পোৎশিং অদু নুমিদাং পুং ৯ গী মমাঙদা নীংথিনা লোয়শিল্লগা য়ুমদা হনবিয়ু। নুমিদাং পুং ৯ গী মতুংদা পোৎফম ফম্বা য়ারোই হায়বসি হৌখিবা আগষ্ট ২ দা লৈঙাক্কী ওর্দর অমা থোক্তুনসু লৈখ্রবনি। ওর্দর অদু কৈথেল ফম্বীশিংনা ঙাক্না চৎমিন্নসি অদুগা মরিশুবা কৈথেল ইমা শঙ অসি ঙসিগী অনৌবা সরকারনা অথুবদা শাবিয়ু হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

নেস্নেল লোক অদালট ফমগদৌরি

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ঃ নেস্নেল লিগেল সার্ভিস ওথোরিটিনা খঙহল্লকপগী মতুং ইন্না মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিস ওথোরিটিনা শীন্দুনা মথং থা এপ্রিল ৮ দা নেস্নেল লোক অদালট উরিপোক চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক ইম্ফালদা পাঙথোক্কদৌরি। লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিটিনা শীন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট খূদিংমক্তা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট কোর্ট কমপ্লেক্সতা লোক অদালট অসি ফমগনি।

মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিটিগী মেম্বর সেক্রেটরী আর কে মেমচা দেবীনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, লোক অদালট অসিদা কোর্টতা পন্দুনা লৈরিবা মখল খূদিংমক্কী কেসশিং অমসুং বেঙ্ক লোন রিকোভরিংগা মরী লৈনবশিং লোইশিন্নবা হোৎনগনি। থৱায় য়াওবা পার্টিশিংনা হায় কোর্ট কমপ্লেক্স ইম্ফালদা লৈবা ওথোরিটিগী ওফিস নৎত্রগা দিষ্ট্রিক্ট কোর্ট কমপ্লেক্সশিংদা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিটিগী ওফিসতা কন্টেক্ট তৌদুনা মখোয় মখোয়গী কেসশিংগী মিং পীশিনবা য়াগনি হায়রি।

চৈরাউবা অমসুং চৈথাবগী পাউজেল পীরি

ইম্ফাল, মার্চ২৩ঃ লৈবাক নিংথৌগী থা ১২ গী মশিল মনুং চল্লিবা লমতা থাগী অহানবা থাংজগী অয়ুক্তা সনা কোনুংগী অমাইবা অমাইবী পেনানচিংবনা মায়কৈ ৪ দা শরোই চাকথা পীরন্নগা খুম্বোং লাৎপগী থৌরম অমুক খুরাই অহোঙ পুঙদগী হৌরগা ৱাংখৈ সৌবোন পুঙ, তেরা ৱাংথোইবী পুঙ লাক্লগা ককৱা লমতাইপুঙদা অরোইবা থৌরম পাঙখি। অসুম্না লমতাগী অরোইবা থাংজ থা অসিগী ২৫ দসু অৱাই অখুম য়াওনা লমতাইবগী থৌরম পাঙগনি হায়না উত্রা শঙলেন সনা কোনুংগী সেক্রেটরী কষ্টমনা পাউজেল্লক্লি।

মথং মথং ওইনা লমতা থাগী থাশি থা অসিগী ২৮ লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অহিং নোংয়াই চবুক্তা হৈরোক চীংগী থরোইলোক লাইফমদা নিংথৌগী অমাইবনা লম্রাইশিং তাইনদুনা শিংথেক শিংথাবদা য়াওখ্রবা থৱায়শিং অদু অমুক হন্না শিংশৎ শিংখাইহৌবগী থৌরমসু পাঙগনি। নোংঙাল্লগা শজিবু চৈরাউবা অমদি চৈথাবা উত্রা শঙলেন সনা কোনুংদা পাঙগনি। কুমসি চহীগী ওইনা নিংথৌখোং খা খুনৌদা লৈবা ওক্রম য়োইহেনবা মৈতৈ (৪২) অপোকপা ও খেলেন্দ্রো মৈতৈনা হাকুম চৈথাখিবা ৱাহেংবম চাউবা মৈতৈগী মহুৎ শিল্লগনি। থৌরমশিং অসি মীয়াম্না শরুক য়াবিয়ু অমসুং মপুঙ ফাহনবিয়ু হায়নসু মখা তানা পাউজেল্লক্লি।

অম্মুক ইম্ফাল ইষ্ট মশা লোইশঙ হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ঃ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা ক্যামগৈ হৈবোং মখোঙদা লৈবা ক্যামগৈ য়ুথ পাইওনর ক্লবকী শঙলেন্দা ওল মণিপুর মেন পৱার অপলিফমেন্ট সেন্টর (অম্মুক)কী ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট মশা লোয়শঙ হাংদোকখ্রে।

অম্মুক্কী জেনরেল সেক্রেটরী অর্বিন্দ খুরাইজমনা ময়ায় ফমদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুনা মশা লোয়শঙ অসি অসি য়ুনাইটেদ লেবরর এন্দ পিজেন্ট ওর্গনাইজেসন (উলপো) হায়না খঙনগনি হায়রি। নৌনা শেমখিবা মশা লোয়শঙ অসিগী থৌ পুগদবশিংসু খনখ্রে। মখোয়শিং অদুদি কৈশাম ইবোচা প্রসিদেন্ট, থিঙুজম শান্তি জেনরেল সেক্রেটরী, খদাংবম বিরকুমার ফাইনান্স সেক্রেটরী, কৈশাম ভোগেন্দ্রো ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরী, নামৈরাকপম মনাও পব্লিসিটি এন্দ ইনফোর্মেসন সেক্রেটরী অমসুং সিঐচ ইবেতোন ব্রুমেন ৱিং সেক্রেটরীনি হায়রি।

ঙসিগী রাষি ফল (২৪-৩-২০১৭)

ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)
এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল

মেষঃ চাউখৎপা, ফগৎপা, পাঙথোক্লিংবা পাঙথোকপা, লমতু চৎপা খুদোংচাবা মতম্লি। শেল ফংবা অমদি চৎপা মতম্লি। ৱাখল লাঙগনি। নক্ষত্র ১ ফগনি, ২ ফত্তে, ৩ ফগনি।

বৃষঃ হোৎনজমন কান্নবা, খুদোংচাবা মায়োক্লবা মতম্লি। পোৎ লৈবা য়ারগনি। অচৌবশিংনা নুংশিবিরগনি। নক্ষত্র ৩ ফগনি, ৪, ৫ হেন্না ফগনি।

মিথুনঃ গারী তপ্পা থৌবা ফগনি। শাওদবা ফগনি। মীগী মতেং পাংলুগনু। মীৱা মীশা তারগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ৫, ৬ ফগনি, ৭ ফত্তে।

কর্কটঃ খৎনবা, শোক্কনবা মতম্লি। শাওদবা ফগনি। শেল চৎপা, মীৱা মীশা তাবা মতম্লি। লম চৎপা ফত্তবা মতম্লি। চরাঙনগনি। নক্ষত্র ৭ ফত্তে, ৮, ৯ অফবনি।

সিংহঃ চাউখৎপা, ফগৎপা, পাঙথোক্লিংবা পাঙথোকপা, পোৎ লৈবা, মরুপ মফম ফগৎপা মতম্লি। শান্তি লৈতে। নক্ষত্র ১০ ফগনি, ১১ ফত্তে, ১২ ফগনি।

কন্যাঃ হোৎনজমন কান্নবা, পোৎ লৈবা য়াবা মতম্লি। হকচাং নুংঙাইবা মতম্লি। মীনা য়েংশিল্লি। তোখাই তাগনবা ওই। নক্ষত্র ১২, ১৩, ১৪ য়ান্ননা চৎলগনি।

তুলাঃ খুদোংচাবা মায়োক্লবা, শেল ফংবা, মীনা নুংশিবিবা, পোৎ লৈবা য়াবা মতম্লি। হকচাং ৱাখল ফগৎলগনি। নক্ষত্র ১৪, ১৫, ১৬ অফবনি।

বৃশ্চিকঃ খৎনবা, মুক্লবা, কোক শাবা, মীনা নুংশিবিবা ৱাৎপা, য়েক্লবা হেনগৎপা মতম্লি। অরুবদি পাঙথোক্লগনি। নক্ষত্র ১৬ ফত্তে, ১৭, ১৮ ফগনি।

ধনুঃ চাউখৎপা, ফগৎপা, অরুবা খরা পাঙথোকপা, খুদোংচাবা ফংবা, পোৎ লৈবা য়াবা মতম্লি। শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ১৯, ২০, ২১ ফগনি।

মকরঃ শেল ফংবা, মীনা নুংশিবিবা, শেল ফংবা, পোৎ লৈবা য়াবা মতম্লি। অচৌবশিংনা চানবিরগনি। খরা লাঙগনি। নক্ষত্র ২১, ২২, ২৩ ফগনি।

কুম্ভঃ শাওদবা ফগনি, খৎননিংগনি। শেল ফংবা চৎপা মতম্লি। হকচাং ৱাখল ফগৎলগনি। খরা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ২৩, ২৪ ফগনি, ২৫ ফত্তে।

মীনঃ চয়েৎনবা, শাওনবা, ৱারৌবা মতম্লি। অরানবা তাগনগনি। লম চৎপা ফত্তে, য়েক্লবা হেনগৎলগনি। নক্ষত্র ২৫ ফত্তে, ২৬ ফগনি, ২৭ চাং অমদা লৈ।

কছারদা য়েন্নীংথা কুম্মৈ পাঙথোকখ্রে

জিরি ন্যুজ নেটৱার্ক

সিলচর, মার্চ ২৩ঃ মণিপুর ষ্টেট শুমাঙ লীলা কাউন্সিলগী মীৎয়েং মখাদা অসামগী কছারদা য়েন্নীংথা কুম্মৈ পাঙথোকখ্রে।

কছারগী মৈতৈশিংনা খুন্দাবা মফম কয়াদা কুম্মৈ অসিগী মনুং চন্না সঙাই আর্টিষ্ট এসোসিয়েসন অমদি সনালৈবাক নাচোম আর্টিষ্ট এসোসিয়েসনগী আর্টিষ্টশিংনা শুমাঙ লীলা কয়া উৎখি। কুম্মৈ অসিগী মনুং চন্না থা অসিগী ২১ লৈবাকপোকপা নুমিত্তসু সিলচরগী রোংপুরদা নেস্নেল থিয়েটর অসাম অমসুং পাউনা ক্লব রোংপুরনা শীন্দুনা পাঙথোকখি।

মণিপুর ষ্টেট শুমাঙ লীলা কাউন্সিলগী চিয়ারমেন ডা. এম নরনা ফোঙদোকখিবদি মালেমগী মীয়াম্না য়াম্না খোইদানরিবা মণিপুরীশিংগী অখন্নবা আর্ট ফোর্ম অমা ওইরিবা শুমাঙ লীলাগী থোঙদসু চোইজাইননা খুন্দামিন্নরিবা মণিপুরী ইরৈচাশিংগী মরক্তা নুংশি চান্নবগী ৱাখল্লোন অমা পুরকপা হায়বসিনা কুম্মৈ অসিগী পান্দম্নি।

থিয়েটর ফোর য়ুনিটি এন্দ পিছ হায়বা থিমদা মণিপুরগী শক্নাইরবা কোমিদিয়ান মীয়াম্না ওঝা তোলহন হায়রগা খঙনবা শৌগ্রাকপম হেমন্তনচিংবা কয়ানা শরুক য়াখিবা শুমাঙ লীলাগী খূৎপু অদুনা কছারগী বিনাকান্দি, সিলচরগী রোংপুর, হৈলাকান্দিগী জারিবোন লাইশ্রম খুল অমদি লখিপুরগী সিঙ্গরবোন্নচিংবা মফমদা শুমাঙ লীলা উৎখ্রবনি।

ALWAYS BEST
Dr. HELENA EYE CARE

ADDRESS : NORTH AOC, BIG CHILL BUILDING
IMPHAL, MANIPUR
CALL : 0385-2421792 / 9774065535.
Email : dochelena11@yahoo.com
SL/B/March'17

[illegible]

চাকওাই ৱারী-৪

[illegible]

অইবা অমসুং অয়েকপা
লোং পান


মতম খরা লৈরগা মীকোকপু পুরদুনা
অতোপ্পা মফম অমদা অমুক লাকই


মচীন মনাওনা ৱা খন্নরি
হন্দক্তি মখোয়সে য়ুমদগী তাম্থোকপা য়াব্রা য়েংগে
হোয়নে কান্নদে থেংথদুনা লৈবসে, ঐনা খল্লিসে